# ইম্ফাল ৱেষ্টকী কুনিসন তোনাম্বমনা ১০ মিটর পিষ্টোল মেন ইন্দিভিজ্যুয়েল ইভেন্টকী মকোক তাখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ঃ

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী সুট্টিং রেঞ্জতা চখরিবা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসনগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ১০ মিটর পিষ্টোল মেন (আইএসএসএফ) ইন্দিভিজ্যুয়েল ইভেন্টতা ইম্ফাল ৱেষ্ট রাইফলস এসোসিয়েসনগী কুনিসন তোনাম্বমনা অহানবা মনা ফঙবা ঙমখ্রে।

কুনিসননা পুন্না সেরিজ ৬ কাপ্পদা পোইন্ট ৫৬৯ ফঙবা ঙমখি। মহাক্কী অহানবা সেরিজ কাপ্পদা পোইন্ট ৯৭, অনীশুবদনা ৯৬, অহুমশুবদা ৯৫, মরিশুবদা ৯০, মঙাশুবদা ৯৬ অমসুং তরুকশুবদা ৯৫ ফঙখি।

মহাক্না জুনিয়র ইভেন্টকী কেতেগোরিদসু অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চপ মান্নবা ইভেন্ট অসিগী নুপীগী জুনিয়র অমসুং য়ুঠকী কেতেগোরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইফবী তেলেম্না অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

য়াইফবীনা অপুন্বা সেরিজ কাপ্পদা পোইন্ট ৯৬, ৯৪, ৯১, ৯১, ৯৬, ৮৯ পুন্না পোইন্ট ৫৫৭ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন ফঙবা ঙমখিবনি।

মেন্স ইন্দিভিজ্যয়েল কেতেগোরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ বেঞ্জমিননা পুন্না পোইন্ট ৫৬৭ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী খাগেম্বা লৌক্রকপমনা পোইন্ট ৫৬৬ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

জুনিয়র কেতেগোরিদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অজয় সিংহ হুইদ্রোমনা পুন্না পোইন্ট ৫৫৪ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। য়ুঠ কেতেগোরিদা জেএসআরআইপিএসটি জুপিটর অসেমনা পোইন্ট ৪৮৯ ফঙদুনা কেতেগোরি অসিগী অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীগী য়ুঠ কেতেগোরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী দুনি খাইদেমনা পোইন্ট ৫১২ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা জুনিয়র কেতেগোরিদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী গুরুময়ুম জেসিনা অমসুং কাংঙবম লিম্থোইঙাম্বীনা পুন্না পোইন্ট ৫৩৫ অমসুং ৪৩৮ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

কম্পিটিসন অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ইভেন্ট ০.১৭৭ পিপ সাইট এয়র রাইফল ১০ মিটর মেন ইন্দিভিজ্যুয়েলদা ইম্ফাল ইষ্টকী লোংজম রেগান সিংহনা তোঙান তোঙানবা সেরিজ ৬তা পোইন্ট ৯৯, ৯৬, ৯৯, ৯৮, ৯৯, ৯৩ পুন্না পোইন্ট ৫৮৪ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল চাওবনা পোইন্ট ৫৬০ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী জুনিয়র অমসুং য়ুঠকী কেতেগোরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী রোসন থাংজমনা পোইন্ট ৯৬, ৯৪, ৮৯, ৯৬, ৯৭ অমসুং ৯৯ পুন্না ৫৭১ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কাংলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুম্নাম গানাশ্যাম মৈতৈ না পোইন্ট ৫৭০ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সনাশম ধারিয়েসনা পোইন্ট ৫৫৬ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী য়ুঠ কী কাংলুপ্তসু ধারিয়েসনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

চপ মান্নবা ইভেন্ট অসিগী নুপীগী জুনিয়র কেতেগোরিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাহেংবম জুলিয়ানা পুন্না পোইন্ট ৫৮৬ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাখি।

অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী ফ্রেংকি খেক্সিময়ুমনা পোইন্ট ৫৭৬ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর কে মমতনা পোইন্ট ৫৭৫ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# মৈতৈ নোংশা থাং-তা এসোসিয়েসন মাকলংনা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা কম্পিটিসন ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মৈতৈ নোংশা লালোং থাং-তা এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন মাকলং ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা মাকলং কম্মুনিটি হোলদা চখৎকখিবা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা কম্পিটিসন ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা যুম্বু ওইরিবা মৈতৈ নোংশা লালোং থাং-তা কলচরেল এসোসিয়েসন মাকলংনা গোল্ড ২৯, সিলভর ২৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পুন্না মেডল ৫৯গী পোইন্ট ২২৮ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

হুয়েল লালোং থাং-তা একাদেমী য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড ২৪, সিলভর ১৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পুন্না মেডল ৪৬কী পোইন্ট ১৭৯ ফঙদুনা ওভর ওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

কম্পিটিসন অসিদা নুপামচাগী বেষ্ট ফাইটরগী মনানা পহুলাসি ময়াই কোইবীগী সব-জুনিয়র বোইজ কেতেগোরিদা শান্নখিবা কেএসঐচ লন মঙাংনা ফঙখি। অদুগা নুপীমচাগী চপ মান্নবা মনানা অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌগী সব-জুনিয়র কেতেগোরিদা শান্নখিবী এল এনি দেবীনা ফঙবা ঙমখি।

নুপামচা অমদি নুপীমচাগী বেষ্ট দিসিপ্লিনগী মনানা মৈতৈ নোংশা থাং-তা এসোসিয়েসনগী পি ঐচ বিশ্বরজিৎ মৈতৈ অমসুং টি জোলিনা ফঙবা ঙমখি।

কম্পিটিসন অসিদা হুয়েল লালোং থাং-তা একাদেমী শিংজমৈনা গোল্ড ১১, সিভলর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন অদুগা কংলৈ য়েলহৌ থাং-তা লুপ লাঙ্গোলনা গোল্ড ১০, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফঙদুনা সঙাইপ্রৌনা গোল্ড ৬, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফঙদুনা মঙাশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থাং-হাইবা ইভেন্টকী তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবশিং অদুদি সব-জুনিয়র গার্লসকীদা পহুলাসিগী টি ঐচ ইংঙেলসানা চনু, সব-জুনিয়র বোইজকী পহুলাসিগী এস মালেমঙাম্বা মৈতৈ, জুনিয়র বোইজকীদা অঞ্জিকাগী দ্রবিদ লাংপোক্লকপম অমসুং সেনিয়র মেন্সকীদনা পহুলাসিগী এল সোমোরজিৎ মথংশিংনা ফঙখি।

থাংলোন খোঙলোন খুৎলোন ইভেন্টকী তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিদা ঐচএল টিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী শান্নরোই মরি এন বোরিস শর্ম্মা, এসঐচ রোজিকা চনু, এসঐচ শাগেঙাম্বা মৈতৈ অমসুং ৱাই পিংকিনা সব-জুনিয়র, জুনিয়র বোইজ অমসুং গার্লসকী গোল্ড মেডলশিং লৌখি।

সেনিয়র মেন্সকী ফুনবা অমা ইভেন্টকী তোঙান তোঙানবা ৱেঠ লৌখ্রবশিং অদুদি কেৱাইটিটিএলগী এল সিতল অমসুং এল কিষন, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ও নেতাজিৎ অমসুং ৱাই খাগেম্বা অমদি নাওরেমথোং ঐচ লানঙম্বা মৈতৈ নি।

সেনিয়র মেন্সকী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টতা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ঐচ সদানন্দ অমসুং এ বন্তি, লাঙ্গোলগী আই ইনদুভুসন অমসুং ৱাই সনাজাওবা, শিংজমৈগী আর কে মোমোসনা, ময়াইকোইবীগী ই বাবি অমসুং দব্লিউ দোহেসনা তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিশিংদা গোল্ড মেডল শিং লৌখি।

সেনিয়র ৱুমেনকী ফুনবা অমা ইভেন্টতা শিংজমৈগী এল রিনাবাই চনু অমসুং মাকলংগী এ ইন্দ্রপাটিনা তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিমক্কী সব-জুনিয়র কেতেগোরিদা শিংজমৈগী পি ঐচ গিলিবানা গোল্ড মেডল লৌখি।

জুনিয়র গার্লসকী ফুনবা কে ঐচ প্রিয়াংকা অমসুং এল সাইলি, মাকলংগী লিম্থোইঙাম্বী, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী এল সোফিয়া অমসুং লাঙ্গোলগী রোবিনা হৈস্নামনা তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিশিংদা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।

চপ মান্নবা কাংলুপকী ফুনবা অনী ইভেন্টতা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী এল উমা, চন্দ্রিকা লাইশ্রম, ৱাই পিংকি অমসুং মাকলংগী কে মেরিনানা গোল্ড মেডলশিং লৌখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরী কন্সষ্টিট্যুন্সিগী এম পি ডাঃ টি মৈনানা অথোইবা মীথুংলেন, ৱার্ল্ড থাং-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার সিংহনা থৌরম মপু, অৱাংখুনৌ গ্রাম পাঞ্চায়টকী মেম্বর এন প্রমো, মাকলংগী উপা প্রধান টি ভুবোনচন্দ্র, মাকলংগী ৱার্দ মেম্বর কে ঐচ রাম, লাইরেন কাবী কাদাংবনগী মেম্বর এন জি ইবোচৌ অমসুং ব্রাইটর একাদেমী খুমবোংগী প্রিন্সিপাল ডাঃ বেটি শলামনা মথং শিংনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

# মিনিষ্টর থোংঙাম বিশ্বজিৎনা "২০১৮ ফিফা ৱার্ল্ড কপ রুসিয়া" লাইরিক ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, মে ১০ঃ

মিনিষ্টর পৱার, পিদব্লিউদি, আরদি এন্দ পিআর, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিস থোংঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা লমাই ১১২ পানবা "২০১৮ ফিফা ৱার্ল্ড কপ রুসিয়া" হায়না মীংথোনবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী রেফরি ইন্সষ্ট্রক্টর ওইবা জাদবচন্দ্র হাওবমনা তোঙান তোঙানবা সোর্সশিংদগী তাশিন খোমজিনদুনা শেম্বা লাইরিক অমা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী কনফরেন্স হোলদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লাইরিক অসিবু ইখিবা জাদবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ইং ২০০২ দগী হৌদুনা হন্দক্কী ২০১৮ গী ফোঙলিবা লাইরিক অসি মহাক্কী মঙাশুবা ইদিসন নি।

লাইরিক অসিবু মখা তানা ফোঙবগী মরুওইবা মরমদি ষ্টেট অসিদা ফুটবোলবু পামজবশিংদা ফুটবোলগী মরমদা মরিক চুম্বা



*লাইরিক অসিবু শেম্বীরকখিবা জাদবচন্দ্র হাওবম*

ঈ-পাউশিং অদুবু মীপুম খুদিংমক্তা খঙহন্নবনি। মমাংগী ইং ২০১৪ গী ৱার্ল্ড কপতা অনৌবা রুল গোল লাইন টেক্নোলোজি শেমখিবগুম হন্দক্কী অসিদসু অনৌবা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি হায়বনচিংবা রুলশিং হাপচিল্লকপা অসিবু মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনবা হায়বা পান্দম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙখিবনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা শক্নাইরবা ভেটরান স্পোর্টস পর্সন অমসুং এদুকেসননিস এস লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা লাইরিক অসিগী মরমদা ফোঙদোকখিবদা লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াম্না নুংশিবা ৱারি কয়া অমসু য়াওরি। ইং ১৯৫০ গী মতমদা ফিফাগী অনৌবা রুল অমা ওইনা বুট তোংদ্রবদি ফুটবোল শান্নবা য়ারোই হায়বনচিংবা মদুগী শাফুনা মণিপুরদা য়ৌরকপগী ৱারিশিং কয়া অমা য়াওরি।

হৌজিক্কী টেক্নোলোজিগী চাওখৎলক্লবা মতমসিদা সাইন্সকা ফুটবোল মশান্না অসিগা লৈনরিবা মরিগী মতাংদা ফোঙদোকপনচিংবা য়াওরি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা লৈরিবা এনজিওশিং অমদি ফুটবোলবু পামজবশিংনা জাদবচন্দ্রগী লাইরিকশিং অসিবু খোমজিল্লগা তোঙান তোঙানবা ক্যুজ কম্পিটিসনগুম্বা পাঙথোক্লবদি হৌরক্লি বা নহারোলশিংদা ফুটবোলগী মরমদা হেন্না কান্নবা কয়ামরুম পীবা ঙমগনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা লাইরিক অসিনা শান্নরোইশিং, রেফরিশিং অমদি ফুটবোলগা মরী লৈনবশিং খক্তা নত্তনা মীচম মীয়ামদসু ফুটবোলগী মরমদা কান্নবা কয়া পীরগনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতম অমদা স্পোর্টসপু এদুকেসনগী পার্ট অমনি হায়রম্বদু হৌজিক্তি প্রোফেসনগী লমদা চঙশিল্লক্লি। লাইরিক অসি শান্নরোইশিংদা পুক্নিং লৌশিং হাপকদবা লাইরিক অমদি ওইরগনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়রিবা অসি ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংগী হৈ-শিংলবা প্রাফোমেন্স অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা টেলেন্টশিং অদুগী মপানন শান্নগদবনি। পোলিটিকেলগী খুদোংচানবগীদমক লিংখৎকদবা নত্তে। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু ষ্টেট অসিদগী হোংখ্রগনি হায়না মীপায়রিবা অসিবুসু পুক্নিং ফাথবীনবা অপিল তৌরক্লি।

মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা অকাম্পাৎতা অথুবা মতমগী মনুংদা হোক্কি ষ্টেদিয়ম অমা শান্নবা সরকারগী ওইবা থৌরাংশিং লোইশিল্লক্লে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কৈরাওগী এমএলএ এল রামেশ্বর মৈতৈ, য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী সেক্রেটরী বোবি ৱাইখোম, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সুনিল এলাংবম অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডাঃ সি ঐচ প্রদিব সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমদমগী লাকপা মীওই ১০০ মক্না শরুক য়াখি।

# ১৮শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রোগী নিংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল কেদেট এন্দ জুনিয়র চৈবী ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১০ ঃ

জিরিবামগী জিম্পাল কনফেরেন্স হোলদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন (এএমসিএ) অমদি জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জেদিও), জিরিবামনা শীন্দুনা ১৮শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রো গী নিংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল কেদেট এন্দ জুনিয়র (বোইজ এন্দ গার্লস) চৈবী ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অসিদা ওক্রম মংলেম মৈতৈ, প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন (এএমসিএ), লম্মাবম রোমেন, প্রসিদেন্ট, জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জেদিও),জিরিবাম অমদি ইমা মেমা, প্রসিদেন্ট, জিম্পাল না মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঐচ হেমজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরী এএমসিএ না কি নোট এদ্রেস পীখি। মতুংদা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রোগী মফমদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা ওৎপা ওইনা লৈসু কৎনখি। মতুংদা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রোনা মীয়ামগী অমসুং মণিপুরগী মতাংদা মহাক্না তৌরম্বা শিংথনিঙাই ওইবা থবকশিং অমসুং তৌগে খল্লম্বা থবকশিংগী মতাংদা মীয়াম্না মাগী ৱাখল কয়া ফোঙদোক্তুনা ৱা কয়া ঙাংনখি।

থৌরমগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা ওক্রম মংলেম মৈতৈ, প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন না হায়খিবদা ঙসি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরম্বা ওঝা সোমোরেন্দ্রা না লৈখিবদগী নিংশিংদুনা মীয়াম্না থৌরম পাঙথোকপা অসি য়াম্না মরুওই হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা ওঝা অসিনা ঐখোয় মণিপুরগী ইনাৎ অসিবু চাওখৎনবা কান্না হোৎনরম্বম মীশক অমনি হায়খি। অদু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাক্তুনা অফবা উহৈ পানবা উ পাম্বীশিং মাংহনখিবগুম ওঝাগুম্বা অফবা মীওই অমগী পুন্সিসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্তুনা মাংবগুম মাংখরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা লমাবম রোমেন, প্রসিদেন্ট জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, জিরিবামনা হায়খিবদা মণিপুর মতম অমদা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী। অদুবু মণিপুর নিংথৌ বুধাচন্দ্রগী মতমদা শিল্লোং দা ৱারি শান্নসি হায়না কৌরগা নমদুনা মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌহনখি। মসিনা মরম ওইরগা নিংতম লালহৌগী মৈরা চুখৎলম্বা অথোইবশিংগী মরক্তা ওঝা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রা সু অমনি হায়খি। মহাক্না ঐখোয়গী তুংগী মীরোল গী চাওখৎনবা হকশেলদা, সেনমিৎলোদা, ইনাৎ-কলচরদা থৌদাং কয়া লৌরম্বা ওঝা নি হায়না শিংথাখি। মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চৈবী মশান্না অসিনা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমা ওইনা পুথোক্তুনা মীপুম খুদিংদা খঙনবা হোৎনবা অসিসু য়াম্না ফবা অমনি হায়খি।

# ময়াই লম্বী এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ

তৌবুল য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তৌবুল মমাং প্লে গ্রাউন্দা চখরক্লিবা ৫শুবা থৌদাম কুমার মেমোরিয়েল ৮ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচ অমদা ময়াই লম্বী এফসি ময়াং ইম্ফালনা জিএমসি ফুবলাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অরুন অমসুং তেসকুমারনা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা টিএসএ থিনুংগৈ অমসুং ফুটবোল ফোরএবর গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

# সঞ্জিতা দোপ্পিং কেসকা মরী লৈননা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ

কম্মন ৱেলঠ গেমসতা ৱেঠলিফটিং মশান্নদা সনাগী মেডল লৌখ্রবী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুগী লাইবক থিবা দোপিংগী চায়েৎনবনি হায়না থাজনরিবা কেস অসিগা মরী লৈননা সঞ্জিতা মশা য়াওনা ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা পেচু লম্পাক্তা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা সঞ্জিতাগী কেস অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী মীংচৎ কয়ারক পুরকখ্রবা শান্নরোই অসিনা খুদোং থিবা তারবা মতম অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা ফোঙদোরকখি।

করিগুম্বা থৌদোক অসিনা হারিয়ানাগুম্বা ষ্টেটতা থোক্লম্লবদি নেসনেলগী ব্রেকিং ন্যুজ ওইগনি হায়না মখা তারকখি।

# ফুটবোল টেলেন্ট স্কাউটিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ঃ

ফোর্মর ফুটবোল প্লেয়র্স এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চহি ৮ দগী ১২ ফাওবগী ওইবা ফুটবোল ফেষ্টিভেল কম টেলেন্ট স্কাউটিং প্রোগ্রাম থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা শান্নরোই ১২০ রোমনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱাকর ও রোমেন সিংহ অমসুং ফোর্মর ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এ কে সুরজিৎ অমসুং অহল ওইরবা ফুটবোল প্লেয়র অমুবা সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর হোক্কি শান্নরোইশিং রিন্যু তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ঃ

চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা মণিপুরগী হোক্কিগী এক্সিক্যুটিব বোর্দ / বোদি গী মিটিংদা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে।

ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না মণিপুর হোক্কিগী মখাদা এফিফিলিয়েট তৌরবা য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরীনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোইশিংবু ত্রান্সফর অমদি রিন্যু তৌরবা য়ারগনি হায়রি।

হায়রিবা ত্রান্সফর অমদি রেন্যু তৌবগী মতম অসি চহি অসিগী জুলাই ১ দগী ৮ ফাওবা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক্কী মণিপুর হোক্কিগী প্রেমিয়রদা লাক্তুনা অয়ুক পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা অমদি নুংথিল পুং ৩.৩০ দগী ৫.৩০ ফাওবগী মনুংদা তৌগদবনি হায়রি।

শান্নরোইশিংগী ত্রান্সফর তৌবগী ফিনা লুপা লিশিং ১, শান্নরোইশিংগী রিন্যুয়েল ফিনা লুপা ১০০, ক্লব অমদি য়ুনিটশিংগী রিন্যুয়েল ফিনা লুপা ৫০০ অমদি ফ্রেস শান্নরোইশিংগী রেজিষ্ট্রেসননা লুপা ৩০০ ওইগনি হায়রি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর হোক্কিগী ওফিস্তা অমদি মোম্বাইল নম্বর ৮৯৭৪৭৭৭৫১৬ / ৮৫৭৫০৪৯৮৮৩ / ৭০০৫৪৮৭৮৩৮৪ / ৮৫৭৫০৪৯৮৮৫ দা পাউপাউবীরকউ হায়রি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*